# শ্রীনগরদা টেরোরিষ্টশিংগা কাপ্নবদা পুলিসমেন ১ শিরে, সি আর পি এফ পার্সোনেল ২ য়াওনা ৩ শোক্লে



***শ্রীনগর, আগষ্ট ১২ ঃ***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শ্রীনগরদা ঙসি অয়ূক টেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবা থৌদোক অমদা স্পিপসিয়েল ওপরেসন্স গ্রুপকী পুলিসমেন অমা শিরে অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসমেন অমা অমসুং সি আর পি এফ পার্সোনেল অনী শোক্লে।

থৌদোক অসি ষ্টেট অসিগী কোনুং শ্রীনগরগী বাটমালূদা থোকখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা য়ান্না কন্না নোংমৈ কাপ্নখি। নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগী ওভরগ্রাউন্দ ৱার্কর অনী ফাখি। মফম অদুদগী খূৎশু-খূৎলাই অমত্তা ফংখিদে অদুবু টেরোরিষ্টশিং অদুগা মরী লৈনবা চে-চাং খরা ফংখি হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকপদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা টেরোরিষ্ট অমা শোকখি। পুলিসনা মহাকপু থিরি। মখোয়না লোৎতুনা লৈরম্বা য়ূম অদুগী মপু অদুসু নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা শোকখি হায়রি।

সিটি এরিয়া অদুদা টেরোরিষ্টশিং লৈবগী অকূপ্পা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অয়ূক অঙনবদগী হৌনা বাটমালূদা থি-হুম্বগী ওপরেসন অমা চথখিবনি অদুবু সেক্যুরিটি ফোর্সতা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকখিবনি হায়রি।

চাওরাক্লা মফম অদুদা মিলিটেন্ট ৫ গী খূৎপু অমা লৈরম্বনি। মখোয়না থিবা-হুম্বা থবক চথরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সতা গ্রেনেট অমা লংশিল্লকখি অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অদুগী মতূংদা মখোয় অমম্বদা নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার মুনির খাননা পাউমীশিংদা হায়খি।

শ্রীনগরদা মোবাইল ইন্টর্নেট পূং খরা ককথৎখি। হৌজিক টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্নবা অদু লোইশিনখ্রে। অদুম ওইনমক লোৎতুনা লৈরম্বা য়াবা টেরোরিষ্টশিং থিনবগীদমক মফম অদীদা কোম্বিং ওপরেসন চথরি হায়না পুলিসনা হায়রি।

ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎ ৩ নি খত্তগা ঙাইশিল্লক্লবা অসিদা শ্রীনগরগী ময়োলমত্তগদা টেরোরিষ্টশিং লৈরম্লিবা অসিনা নুংনাংবা হেনগৎহল্লে হায়না সেক্যুরিটি এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

মসিদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী বদগাম দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি বোম পোকখাইবগী থৌদোক অমদসু মীওই অহুম শোকখ্রে। ময়াই থংবা কাশ্মীরগী বদগাম দিষ্ট্রিক্ট খাগা এরিয়াদা লৈবা তোসামৈদানদা বোম অদু পোকখাইখিবনি। অশোকপা মীওইশিং অদু বেমিনাদা লৈবা জে ভি সি হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

# ইম্রান খানগী পি টি আই না রিজার্ব সিট ১৩ ফংদুনা পূন্না ১৫৮ শুখ্রে, মেজোরিটি য়ৌগদবা ১৪ ৱাৎলি

***ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ১২ ঃ***

ইম্রান খানগী পার্টি ওইরিবা পাকিষ্টান টেহরীক-ই-ইনশাফ (পি টি আই) দা ইলেক্সন কম্মিসন্না নুপীশিংগী রিজার্ব সিট ২৮ অমসুং নন-মুস্লিমশিংগী রিজার্ব সিট ৫ পীরকখ্রে। মসি থারগা পাকিষ্টানগী নেস্নেল এসেমব্লিদা পার্টিসিগী অপুনবা মেম্বর মশীং ১৫৮ শুদুনা সিম্পল মেজোরিটিগী মথৌ তাবা মশীং অদুদগী শুপ্নগী ১৪ খক ৱাৎতুনা লৈরি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টাননা পার্টিশিংগী অপুনবা ইলেক্তেদ মেম্বরশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয়গী মরক্তা রিজার্ব সিটশিং য়েন্থোকখি। নেস্নেল এসেমব্লিদা নুপীশিংগী রিজার্ব সিট ৬০ অমসুং মাইনোরিটিশিংগী রিজার্ব সিট ১০ নি।

সিম্পল মেজোরিটিগীদমক মথৌ তারিবা মশীং অদু য়ৌগদবা ১৪ খক ৱাৎতুনা লৈরিবা ইম্রান খানগী পার্টিনা হাউসতা মখোয়গী মেজোরিটি প্রমাণ তৌনবগীদমক অপীকপা পার্টিশিংগী মখা পোনগনি।

সিট ৩৪২ লৈবা নেস্নেল এসেমব্লিদা সিম্পল মেজোরিটি ফংনবগী অঙকপা মশীং ওইরিবা ১৭২ অদু হেন্না ফংলে হায়না ইম্রান খানগী পার্টিনা হান্নগা ফোঙদোকখ্রবনি।



মশাগী চহী ৬৫ শুরবা হান্নগী ক্রিকেটর অসিনা চয়োল অসিগী মনুংদা পাকিষ্টানগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্নবগী থৌরাং পূন্নমক লোইখ্রে।

অদুম ওইনমক পি টি আই গী হৌজিক ওইরিবা অপুনবা মশীং ১৫৮ অসিসু, জুলাই ২৫ গী মীখলদা নেস্নেল এসেমব্লিগী সিট ৫ দা মায় পাকখিবা ইম্রান খাননা সিট ৪ দি থাদোকপা তাবনা মশীং অসি হন্থরকপা য়ারি।

জেলদা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী বি এম এল-এন গী নেস্নেল এসেমব্লিদা লৈরিবা মশীং ৮২ শুরে। মসি ইলেক্সন কম্মিসন্না পার্টি অসিদা রিজার্ব সিট ১৬ পীরকখিবদগীনি। অদুগা রিজার্ব সিট ১১ পীরকপদগী পাকিষ্টান পিপলস পার্টি (পি পি পি) গীসু সিট ৫৩ শুখ্রে। রিজার্ব সিট ৩ পীরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক এম এম এ গী সিট ১৫ শুরে।

পি টি আই গী সেনিয়ার লীদর শিরীন মজারি অমসুং এন্দলীব অব্বাসসু নুপীশিংগী রিজার্ব সিটতা য়াওবা নুপীগী লুচিংবীশিংগী লিষ্টতা য়াওরে।

পি এম এল-এন গী হান্নগী পার্টিগী ৱাঙাংলোই মারিয়ম ঔরঙ্গজেব, মাইজা হামীদ অমসুং তাহিরা ঔরঙ্গজেবসু রিজার্ব সিটকী নোটিফিকেসনদা মখোয়গী মমিং য়াওরে।

পাকিষ্টান পিপলস পার্টিগী শাজিয়া মারি, নাজ বালোচ অমসুং হিনা রেব্বানি খর সু মেম্বর ওফ নেস্নেল এসেম্লি-ইলেক্টকী লিষ্টতা য়াওরে।

# আই এস জিহাদিষ্টশিংনা ইরাক্তা ইমুং অমগী মীওই ৫ হাৎখ্রে

***টিক্রিট, আগষ্ট ১২ ঃ***

ইরাক্কী কোনুং বাগদাদকী অৱাংদা মখোয়গী খুঙ্গং অদুগী মতাইদা লৈবা চেকপোইন্ট অমদা ইমুং অমতগী মীওই ৫ বু ইস্লামিক ষ্টেট জিহাদিষ্টশিংনা ঙসি অঙনবদা হাৎখ্রে হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হাৎপগী থৌদোক অদু কোনুং অসিগী অৱাংবা কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পদা বাইজি দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি।

আই এস ফাইটর খূৎপু অমনা হামরিন চীংশাংদগী কুমথরক্লগা অহিং নোংয়াই মতূংদা তাইগ্রিস তুরেল লান্থোক্লকখি অমসুং বাইজিগী অৱাংদা অলবু জুৱারি খুঙ্গংগী চঙফমদা লৈবা চেক পোইন্টতা এটেক তৌরকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি।

চেকপোইন্টদা চথরকখিবা এটেক অদুদা ইমুং অমগী মীওই মঙা শিখি অমসুং অমা শোকখি। শিখিবা মীওইশিং অদু জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তগা লান্থেংনরিবা হশেদ অল-শাবি কৌবা পেরামিলিটরি ফোর্সকী মখাদা থবক তৌবা ত্রাইবেল মিলিসিয়াদা য়াওবা ঙাক্তনি। মতম অমদা ইরাক অমসুং থংনবা সিরিয়াগী লম কয়া খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা ইস্লামিক ষ্টেটপু এটেক কয়ামরুমনা খোঙফম হন্দোকহনখি অমসুং মখোয়গী খালিফেটকী কোনুংনি হায়না লাওথোক্লমখিবা মোসুল সিটি য়াওনা ইরাক্কী সিটিশিং অমসুং তাউনশিং পূন্নমক্তগী মখোয়বু তান্থোকখি।

দিসেম্বরদা ইরাক্না জিহাদিষ্টশিং অসিগী মথক্তা মায় পাক্লে লাওথোকখ্রবসু হামরিন চীংগী লমদমশিংগুম্বা মী লন্না তাবা মফমশিংবু মখোয়গী এটেকশিং চথনবগী মফম ওইনা হৌজিক ফাওবা মখা তানা শীজিন্নরি।

# নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা অইবা ভি এস নাইপোল লৈখিদ্রে



***লন্দন, আগষ্ট ১২ ঃ***

কুমজা ২০০১ দা লিটরেচরগী নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা মালেমদা মমিং চৎলবা অইবা ভি এস নাইপোল লন্দনদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৮৫ শুখ্রে।

মমিং চৎলবা 'এ হাউস ফোর মিষ্টর বিস্বাস' অমসুং 'এ বেন্দ ইন দ রিভর' য়াওনা লাইরিক ৩০ হেন্না ইখিবা ভি এস নাইপোল কুমজা ১৯৩২ দা টিনিদাদকী খুঙ্গং অমদা পোকখি।

দ মেইলগী ওন সন্দেগী এদিটর জোর্দি গ্রেগনা ফোঙদোকপদা মহাক্না লৈখিদবা অসিনা বৃটেনগী লিটরেরি হেরিটেজদা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়খি। অদুবু মহাক্কী লাইরিকশিং শিবা নাইদনা লৈহৌরগদবনা মসিদা করিসু চিংননিংঙাই লৈতে হায়খি।

মহাক্কী অহানবা লাইরিক দ মাইষ্টিক মাসিয়োর কুমজা ১৯৫৭ তা ফোঙখি। লাইরিক অদু ২০০১ দা ইস্মাইল মার্চেন্টনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অমা ওইনা ওন্থোকখি।

কুমজা ১৯৬১ দা মহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎপা নোবেল এ হাউইস ফোর মিষ্টর বিস্বাস ফোঙখি। লাইরিক অদু ইবদা চহী অহুম হেন্না চঙখি হায়রি।

কুমজা ১৯৭১ দা ইন এ ফ্রী ষ্টেটকীদমক বূকর প্রাইজগী অহানবা ৱিনরশিংগী মনুংদা মহাকসু অমা ওইখি। মমিং চৎলবা নোবেলিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা মালেমগী লুচিংবা কয়া অমসুং শক্লাইরবা অইবা কয়ানা মহাকপু শীংথাবগা লোয়ননা অৱাংবা ফোঙদোকখ্রে।

# জোর্দানদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে ৫ ফাখ্রে

***অম্মন, আগষ্ট ১২ ঃ***

জোর্দানগী কোনুং অম্মনগী মনাক্তা বোম এটেক অমদা ওফিসার অমা হাৎখিবগী মতূংদা জোর্দানগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা রেদ অমদা টেরোরিষ্ট অহুম হাৎখ্রে অমসুং অতোপ্পা টেরোরিষ্ট মঙা ফাখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ম্যুজিক ফেষ্টিভেল অমদা পেট্রোলিং চৎপা গারী অমগী মখাদা য়ূমদা শাবা বোম পোকখাইহল্লকখিবা অদুগী মতূংদা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা চথখিবা ওপরেসন অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী নাকলদসু মীওই অহুম শিখি।

টেরোরিষ্ট সেল অমা ওইগনি চিংনবা অমা থিনবগীদমক অম্মনগী খা নোংচুপ্তা সোল্ট তাউনদা লৈবা য়ূম অমদা পুলিস অমসুং আর্মি ট্রুপশিংগী স্পিসিয়েল ফোর্সকী অপুনবা য়ুনিট অমনা রেইদ চথখি হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই জুমানা ঘনৈমতনা হায়খি।

য়ূম অদুদা লোত্তুনা লৈরম্বা নোংমৈ পায়বশিংনা কাপথোরকপদা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই অহুম অদু শিখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ঙসি অয়ূক অঙনবদা খ্বাইদগী নৌবা পাউ পীরদুনা গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখিবদা মথোল মরিগী এপার্টমেন্ট অমদা লৈরিবা বিল্ডিং অদুগী অকায়বা মখাদগী হকচাং অহুম অমসুং ওতোমেটিক খূৎলাইশিং ফংলে হায়খি।

মখা তানা টেরোরিষ্ট অনীসু ফাদুনা থাংজ নুমিত্তগী হৌনা সোল্ট তাউনদা ফাদুনা থম্বা মীগী মশীং ৫ শুখ্রে হায়খি।

অম্মনগী নোংচুপ্তা খৃষ্টাননা অয়াম্বা লৈবা তাউন অল-ফুহাইসতা পেট্রোলিং চৎপা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওই তরুক শোকহনখিবা ইরাই নুমিৎকী বোম এটেক অদু কনানা চথবনো হায়বা কনামত্তনা খুদক্তা ফোঙদোরক্ত্রি।

মেদিকেলগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লকপদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওইশিং অমসুং মীচমশিং য়াওনা মীওই ১১ রেইদ অদুদা শোকই হায়খি।

জোর্দানগী টেলিভিজনন্না মচেৎ ওইনা নীংখাইরবা বিল্ডিং অমসুং থিবা-হুম্বগী থবক চথবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ফুটেজ উৎখি।

জোর্দানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওমর অল-রাজাজনা মহাক্না ময়াই তাংবন লৌখিবা মীফম অমদা টেরোরিষ্টশিং তান্নবদা অখাকপা অমত্তা লৈরোই হায়না ঙরাং ৱাশকখি। য়ূস্লোন্নবা সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রূপকী মায়োক্তা থেংনরিবা য়ু এস না লুচিংবা কোলিসনদা জোর্দানসু মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরি।

# বিহার রেপশিং লুচিংবদগী টেলিফোন নম্বর য়াওবা লমায় ২ ফংলে, মাগা মরী লৈনবা শক্তি লৈবা মীওইশিং খঙবা ঙম্লগনি

***পাত্না, আগষ্ট ১২ ঃ***

বিহারদা সেল্টর হোম অমদা নুপীমচা ৩০ হেন্না রেপ তৌখিবা অমসুং ওৎ-নৈখিবা ৱাথোক অদুগীদমক ফাখিবা পোলিটিকেলগী শক্তি লৈবা লুচিংবশিংগা নক্লবা মরী লৈনবা ব্রজেশ ঠাকুর জেল মনুংদা থোইনা মতম শাংনা লৈখিদে অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স দেগী খঙহৌদনা চথবা থিজিন-হুমজিনবা অদুসু মহাক খঙলমদবা য়াই নৎত্রগা মদুগীদমক মহাক করিসু নাচুংলগ্লোই। মরম অসিদগী এদমিনিষ্ট্রেতর অমসুং পুলিস ওফিসারশিংগী টিম অমনা মহাক্লা লৈরিবা জেল হোস্পিটালদা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা চৎলুবদা মহাক মাগী হোস্পিটাল ফমুংদা লৈরমদে। মদুগী মহুত্তা জেল অদুগী ভিজিতরশিংগী লৈফমদা লৈরম্মী। মদু উবদা মখোয় অঙকপা পোকখি। মসিনি মহাক্লা তৌবা ঙম্লিবসি।

য়ান্না থুনা থিজিন-হুমজিনবদা মঙোন্দগী লামায় ২ ফংখি। মদু মীওই ৪০ গী মমিং অমসুং মোবাইল নম্বরশিং ইবনি। মহাক্লা হৌজিক ফাওবা শক্তিগী থৌরী চিংথোক-চিংশিন ঙম্লি হায়বসি মসিনা তাকই হায়না এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসার অমনা হায়রি।

থিজিন-হুমজিনবদা রেপ ৱাথোক্কী একুজ মকোক ওইরিবা ব্রজেশ ঠাকুরদগী ফংলিবা লামায় ২ অদুদা মিনিষ্টর অমগী য়াওনা শক্তি লৈরবা মীওই খরগী মমিংশিং য়াওরি। হৌজিক দোকুমেন্ট অদু সিল তৌশিল্লগা কেস অসিগী থবক পায়রিবা সি বি আই দা থাখ্রে।



ঙরাং থাংজ নুমিত্তা সি বি আই ওফিসিয়েলশিংনা ব্রজেশ ঠাকুরগী মচানুপা ৱাহং পাউহং চথখি অমসুং মাগী মেদিকেল রিপোর্টশিং পুরক্নবা হান্নগা কৌখ্রে।

জুন ২ দা ব্রজেশ ঠাকুর পুলিসনা ফাখিবনি অদুবু জজনা মহাকপু থুনমক জেলদা থাখিবা মরমনা পুলিসনা মহাক তশেংনমক ৱাহং-পাউহং চথখিদে। মপান হোস্পিটাল অমদা চয়োল অনী খরা হেন্না লৈরবা তুংদা মহাক জেল হোস্পিটালদা থাখিবনি।

ব্রজেশ ঠাকুরনা কষ্টদিদা লৈখিবা নুমিৎ ৭০ নি অদুগী মনুংদা মহাক্লা মুজাফরপুর সেন্ট্রেল জেলগী সেলদা শুপ্নগী নুমিৎ ৫-৬ নি খক লৈখি।

হৌখিবা চহী ৪ হেনবগী মতমদা শুপ্নগী চহী ৭ খত্তা ঙাইরিবী অঙাং নুপীমচাশিং ফাওবা রেপ তৌবা ফূবী-চৈবীবা অমসুং ওৎ-নৈখিবগীদমক ফাখিবা মীওই ১০ রোমগী মনুংদা সেল্টর হোম কয়া চল্লাইরিবা এন জি ও গী মপু ব্রজেশ ঠাকুরসু অমনি।

ব্রজেশ ঠাকুর অমসুং মহাক্কী ষ্টাফনা নুপীমচাশিং অদুবু ফমুংদগী চিংথোক্লগা রেপ তৌখি, মফি থোংদনা নমফুদা হিপহল্লি অমসুং ব্রোং-ব্রোং শৌরিবা ঈশিং হৈজিল্লি হায়না পুলিসকী চার্জসিট অমদা ফোঙদোক্লি।

ৱাথোক অসি অশুম-অশুম চাওথোরকপদগী বিহার চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা সি বি আই দা কেস অদু শিন্নখি। মহাক্কী সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর ওইরিবী নুপী মিনিষ্টর অদু মহাক্কী মপুরোইবনা ব্রজেশ ঠাকুরগা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বা পাউ কয়া ফোঙনরকখিবদগী গভর্ণমেন্টকী মথক্তা অকনবা শাফু লাকপদগী ফম থাদোকখিবনি।

ওপোজিসনগী লীদর তেজাস্বি যাদবনা ব্রজেশ ঠাকুরবু কষ্টদিদা ৱাহং পাউহং চথহন্নবা পুলিসনা হায় কোর্টতা শুংতক তকশিন্দ্রিবগী মরম করিগীনো হায়বা অঙকপা ফোঙদোক্লদুনা নিতিস কুমারগী মথক্তা অকনবা শাফু পীখি।

জুনিয়র জজ অমনা মহাকপু জেল মনুংদা ওইনা ৱা হংনবা পুলিসতা খঙহনখিবনি। চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারগীদমক ৱাহং ২০ গী লিষ্ট অমা মীয়ামদা ফোঙখিবা ওপোজিসন লীদর মিষ্টর যাদবনা শুপ্নগী কোপী ২০০-৪০০ খক ফোঙবা ব্রজেশ ঠাকুরগী পাউচেদা লুপা লাক্ষ কয়াগী এর্ভর্টাইজমেন্ট পীখিবা ওফিসিয়েলশিং অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোক্লদবনি হায়খি।

# আই এস আই এস কা মরী লৈনবগীদমক হায়দরবাদতা মীওই অনী এন আই এ না ফাখ্রে

***তেলঙ্গনা, আগষ্ট ১২ ঃ***

আই এস আই এস কৌবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অদুগী পাউতাক মখাদা টেররগী থবকশিং চথনবগী অরোনবা থৌরাং তৌই হায়বগীদমক নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ঙসি হায়দরবাদতা মীওই অনী ফাখ্রে।

ফারবা মীওইশিং অদুদি মোহমদ অব্দুল্লাহ বসিথ (২৪) অমসুং মোহমদ অব্দুল খাদীর (১৯) নি। টেরর এটেকশিং চথহন্নবগীদক নহারোলশিংবু ট্রেনিং পী হায়বগীদমক চহী অনীরোমগী মমাঙদা মহারাষ্ট্রগী নাগপুর এয়ারপোর্টতগী ফাখিবা নহা অহুমগী খূৎপু অমগা মরী লৈনৈ হায়না থাজনিঙই ওইবা লীখুন অমদগী এন আই এ দা পাউ পীরকপদগী মীওই অনী অসিগী মথক্তা সেক্যুরিটি এজেন্সিনা কূপ্না শেন্নদুনা লাকখিবনি।

এন আই এ না আগষ্ট ৬ তা হায়দরবাদকী তোঙান তোঙানবা মফম তরেৎতা রেইদ চথখি। অদুদা চিংননিংঙাই ওইবা অমসুং টেরোরিজমগা মরী লৈনবা মচাক-মথুম কয়া ফংখি। মচাক-মথুমশিং অদু এনালাইসিষ্ট তৌনবা অমসুং মদুদগী দাটা লৌথোক্লবগীদমক সি এফ এস এল হায়দরবাদতা থাখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা এন আই এ না শৈখ অঝার উল ইস্লাম, মোহমদ ফরহান শৈখ অমসুং অদনান হাসনবু টেররগী থবকশিং পাঙথোকহন্নবা আই এস আই এস কীদমক ইন্দিয়াগী মুস্লিম নহাশিংবু ৱাখল ওনহনবা অদুগা রিক্রুট তৌবা অমসুং ট্রেনিং তৌবগীদমক ফাখি। মখোয়গী ৱায়েল চথবদা অঝার উল ইস্লাম অমসুং ফরহান শৈখনা মরাল লৈরি য়াজখি অমসুং জেলদা চহী ৬ কী চৈরাক পীখি। অদুগা অদনান হাসনগী ৱায়েলদি হৌজিকসু চথরি।

ঙসি ফারবা মীওই অনী অদুগা আই এস আই এস কা মরী লৈনবগী মতাংদা মখা তবা ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

# লুপা ক্রোর ১০০ লান্না শীজিন্নবগীদমক গারো ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মথক্তা পি আই এল থারকখ্রে

***শিলোং, আগষ্ট ১২ ঃ***

লন্নাই মীওই অমনা হায় কোর্টতা গারো হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মথক্তা শেঙ্গা-থুমজাগী মরাল শীরদুনা পি আই এল অমা থাঙ্গৎলকখিবগী মতূংদা কাউন্সিল অসি হৌজিক আইনগী অৱাবা অমা মায়োক্লখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্সনা স্পিসিয়েল প্লান এসিষ্টেন্স (এস পি এ) মখাদা পীবা লুপা ক্রোর ১০০.৭১ গী ফন্দ লান্না শীজিন্নবগীদমক গারো হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (জি ঐচ এ দি সি) গী মথক্তা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

পি আই এল অদু ইষ্ট গারো হিলসকী ৱিল্লিয়মনগরদা লৈবা সি ঐচ মরাকনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা থাঙ্গৎখিবনি। মসিগী মমাঙদসু মহাক্লা হান্নগী সি ই এম দেনাং টি সাংমাগী মখাদা ৱিল্লিয়মনগর কন্সটিটুয়েন্সিদা পায়খৎপা এম দি সি স্কিমশিংদা শেঙ্গা-থুমজা তৌবগী ৱাথোক হান্নগা পুখৎখ্রবনি। মহাক্লা হীরম অদুগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্সতসু চেরোল অমা থাদুনা তকশিনখ্রবনি অদুবু থবক অমত্তা লৌখৎলকখিদে হায়খি।

এস পি এ গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অসিদা লুপা ক্রোর ১০০.৭১ সেঙ্কসন তৌরকখি। মদুগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী কন্সটিটুয়েন্সি ২৯ দা প্রোজেক্ট ১১৬৭ পায়খৎনবা অহানবা তাঙ্কক্তা লুপা ৬৯,২১,৪৪,৮১৬ থাদোক্লকখি। শেনফম অদু ২০১৫-২০১৬ গীনি।

প্রোজেক্টকী থবক অদু য়েংশিন্নবা গারো হিলসতা নেস্নেল লেবেল মোনিতরিং টিম অমা লাক্লবা ঐহাক্লা তকশিনখি। অমসুং মরাল লৈবশিং চৈরাক পীনবা হায়জখি। অদুবু খুদম অমত্তা পীরকখিদবদগী পি আই এল অদুগী খুত্থাংদা কোর্টতা চৎপা নত্তনা অতৈ খন্নিঙাই লৈতে হায়না সি ঐচ মরাকনা হায়খি।

নুংঙাইরিবদি হীরম অসি মেঘলায়া হায় কোর্টনা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিত্ত অহানবা আইতেম ওইনা পায়খৎনবা লৌখৎখ্রে।

গারো হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মথক্তা হেনগৎলল্লিবা পি আই এল অদুনা ফন্দ লান্না থৈদোকখিবা য়ানবা শাজিন্নবা খুঙ্গংশিং শেমখি লোয়ননা প্রোজেক্টকী থবক লোইহন্দ্রিবশিংবু লোইরে হায়না উৎলগা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেটশিং শেমখি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং পুখৎখি।

ৱিল্লিয়মনগর কন্সটিটুয়েন্সিদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট ৪৬ কী মনুংদা ১৫ দা থবক শুংতৌ তৌদে অদুগা ১৩ খক মচেৎ ওইনা থবক তৌই হায়খি।

মসিদসু নত্তনা প্রোজেক্টকী থবক তৌনবা খনখিবা খুঙ্গংশিংগী মনুংদা খুঙ্গং অমদি ৱিল্লিয়মনগর কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা নত্তে। মরম অদুনা ৱাথোক অসি সি বি আই নৎত্রগা অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা থিজিনবা য়াহনবীয়ু হায়না পি আই এল অদুনা কোর্টতা হায়জখি অমসুং ইনক্কারিদা ফংলকপশিং অদুদা অকন্নবা থবক চথনবসু তকশিনখি।

অচৌবা শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক অসিদা ইনক্কারি চথনবা মহাক্লা দিমান্দ তৌরি অমসুং মদুগী মতূংদা মীয়ামগী ফন্দ লান্না শীজিন্নবদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না পি আই এল না থাঙ্গৎলিবা সি ঐচ মরাকনা হায়খি।

# রেলৱে মিনিষ্টরদা রেপকী মরাল শীখ্রবা তুংদা অসাম এম এল এ অহুমগী মথক্তসু এফ আই আরশিং থাঙ্গৎখ্রে

***শিলচর, আগষ্ট ১২ ঃ***

থবক পীগনি হায়দুনা নুপী অনীবু রেপ তৌই হায়বগীদমক অসামদগী রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিবা রাজেন গোহেনবু মরাল শীখ্রবগী চয়োল অমগী মনুংদা সেক্স ট্রেদতা য়াওবা নুপী অনীনা ঙরাং থাঙ্গৎলকখিবা এফ আই আর অমদা অসাম এম এল এ অহুমগী মমিং য়াওরকখ্রে।

অমিনুল হক লাসকর (বি জে পি), কিশোর নাথ (বি জে পি) অমসুং নিজাম উদ্দিন চৌধুরি (এ আই য়ু দি এফ) কৌবা অসাম এম এল এ অহুম চেন্নবা সেক্স স্কেন্দল অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই অহুম ফাখ্রে।

মেহরপুরগী পুস্প বিহার লেনদা লৈবা সেক্স রেক্কেট অদু চল্লাইফম ওইরিবা য়ূম অমদা এম এল এ অহুম অদুনা লাকই হায়না নুপী অনী অদুনা থাঙ্গৎলিবা ৱাকৎশিং অদুদা মরাল শীরি।

অদুম ওইনমক নুপী অনী অদুনা মখোয়গী মথক্তা শীরক্লিবা মরালশিং অদু এম এল এ অহুম্মক অদুনা য়াখিদে অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা দিমান্দ তৌখি।

**সনা-সুদোকু -১২৫৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 9 | 8 | 4 | 1 | 7 | 6 | 2 | 3 | 5 |
| 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 8 | 3 | 6 | 4 |
| 8 | 5 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 | 7 | 2 |
| 6 | 4 | 2 | 7 | 1 | 3 | 5 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 8 | 7 | 4 | 9 | 1 |
| 4 | 3 | 8 | 2 | 9 | 1 | 7 | 5 | 6 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1259**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 1 | 2 | | 9 |
| | | | | | 6 | | | 3 |
| 1 | | | 5 | | | | | |
| 4 | | | | 8 | 5 | 7 | 6 | |
| | | | | 1 | | 8 | | |
| 6 | | | | 2 | 3 | | | |
| 5 | | 2 | | | | | 1 | |
| | | | 4 | | | | 8 | |
| | 3 | 6 | | | 9 | 5 | | |